# হৌজিক মতমগী নট সঙ্কীর্ত্তন

ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ

**য়ুনেস্কোগী** ইন্তেনজিবল কলচরেল হেরিটেজ ওফ হ্যুমেনিটিজগী রিপ্রজেন্টেটিভ লিষ্টতা চনখ্রবা মণিপুরগী মমল য়াম্লবা নট সঙ্কীর্ত্তন অসিনা ঐখোয়গী খুন্নাইসিদা লৌরিবা থৌদাং অমদি খুন্নাইসিনা মসিদা য়েংলিবা মীৎয়েং হায়বদি ঙসিগী মীরোলসিদা নট সঙ্কীর্ত্তনগী থাক অসি করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসি নৈনবা য়াম্না মথৌ তারক্লি। লৈবাক নিংথৌ পাল্লিঙৈদা নট সঙ্কীর্ত্তন অমা পাঙথোকপা মতমদা মাগী লৈজরিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসি য়াম্না কূপ্না শেন্নদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা চৎনবী কায়দনবা ইনিংথৌনা, লৈবাক্কী মরী লৈনবা লোইশঙশিংনা অমদি লৈবাক মীয়াম্না মতেং য়াম্না পাঙবীরম্মী। নট সঙ্কীর্ত্তন অমদি মীতৈ শৈশক্লচিংবা কয়া অসি নিংথৌনা খূৎকন-পাঙ্গল্লিঙৈ মতমদদি মমিং য়াম্না চত্তুনা মফম কয়াদা শন্দোক্তুনা য়াম্না চাওখৎপা থাক্তা পুখৎননবা কন্না হোৎনবিরম্মী। অদুবু ইনিংথৌনা লৈবাক ঙাকপগী থৌদাংদু পুহনখিদ্রবা মতুংদগীদি তাঙলবা ঐখোয়গী ইনাৎকী লন অসিগী হৌরকফম, চৎন-কাঙলোন অমদি মতিক-ময়াই কয়া নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লক্লি। চাওখৎলকপগী মীংদা মীওই খরনা লাইথৌ অসিবু শেন্দাল সঙ্কীর্ত্তন ওইনা ওন্থোক্লবা হোৎনরকপা অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মীওই খরনা অমদি লূপ খরনা কন্ননবা য়াম্না ৱানা হোৎনজরকপদু ঙসিদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরদা মণিপুরগী নট সঙ্কীর্ত্তনগী নৈনশঙ/মহৈতম্ফমশঙ অমা লৈরক্লবনিনা মীপাইনরল্লিবা কয়াসি খরমখৈদি শাফরগনি হায়বসিনি খ্বাই মীয়াম্না থাজবা থম্নরিবসি।

হৌজিক হৌজিক ঐখোয়গী খুন্নাইদা চৎনরিবা নট সঙ্কীর্ত্তন হায়রিবা শোন্নপুঙগী পুঙ-ঈশৈগী থৌরমশিং অসিগী মতাংদা খরদং নৈনদুনা য়েংমিন্নসি। ঐখোয়না হৌজিক তৌনরিবা কয়াসি সুম য়েংজবদা মী শিবগী শোরাৎ (শ্রাদ্ধ) শোনবা (লৈখিদ্রবা মীদুগী থৱায়/আত্মানা তাইবঙ মপূগী মনাক্তা ইংনা চিক্না লৈরুনবা পাঙথোকপা মপূ মহাক্কী মীংখৈ, তাইবঙ শিন্থা অমদি পুন্সি খোঙচৎপু শক-শোনবা, শৈথাজবা কর্ম্ম) মতমদদি নট সঙ্কীর্ত্তন পালা অসি য়াম্না লুনা লৌনবগুম উই। তঙাইফদনা য়াওদবা য়াদবা পুঙ অমদি ঈশৈগী পালা মশীং শুনা য়াওনৈ। পুঙ মরোল, শক্কদবা ঈশৈগী শৈশকশিং অমদি মশাগী কায়ফদ্রবা পরিং কয়াদু খরমখৈদি ঙাক্তুনা চেকশিন্না তৌনৈ। অদুগা লুহোং খোঙদোংবগী লাইথৌদদি পালা মশীং শুবা-শুদবা করিমত্তা য়েংদনা পংতৌদা তৌশিন্নবা য়াম্না থেংনৈ। পুঙ য়ৈবা অমখক্কা নুপী ঈশৈ শকপী অমা অনীগা হেক্তা ফমজিন্নবনা অয়াম্বনি। ঈশৈসু অয়াম্বনা ভাব-মেন তাদবা, মমৈ মকোক শম্নদবা মানবা, মতম ঈশৈগা পংশক শকচিনবা য়াম্না মরিং-মরাংবা মওং অমদা লুহোংবগী লুখ্রবা লাইথৌ অসি পংশক্তা শক শোনবগী চৎনবী অমা য়াম্না কন্না চথরকপা অসিদা লৈবাক মীয়ামসু অদুম য়ানরবা মাল্লে, হোই-মাই অমত্তা হায়নদে। অসিগুম্বা মপূ পান্দ্রবা লৈবাক্কী চৎন-কাঙলোনগা অমত্তা ঙাক্রবা সঙ্কীর্ত্তন পালাদা খুরুম্বা তনবদগী চুম্না তৌজবা পাম্বা মরম খঙবা অহল, ওজা-গুরু কয়া অমদি লুহোংবগী বর শেন্নবগী শিনফমদগী তোক্লখিবফাওবা য়াওশিল্লক্লবনি। শোরাৎকী থৌরম্মুদি শিখ্রবা মীগী অরোইবা মথৌ মঙম ওইবনিনা খরা অদুক শোয়খ্রবসু থোইনা কায়দে হায়না খল্লবসু লুহোংবা হায়বা পুন্সি লৈপুন শেম্বা অসিদি নৌনা তাইবঙগী য়ূম্বান লম্বীদা খোঙদাজরক্লিবা নুপা-নুপী অনীদুগী য়াইফ-নুংঙাই তানখৎলকপনিনা মপূগী মীংখৈ শক-শোল্লিবা কয়াদু য়াম্না কাঙলোন চুম্না অমদি চেকশিন্না তৌবীবা ফত্রা হায়না খল্লি।

লুহোংববু চুম্নগী হরাউ কুম্মৈগুম ওইনখক্তা খন্নদুনা তৌনীং-তৌনীংবা মওংদা পুঙ ঈশৈগী থৌগল অসি পংতৌদা তৌশিন্নরক্লবদি ঐখোয়না লমদম অসি আর্ট এন্দ কলচরদা ইনাক খুল্লি হায়না চাউথোকচরিবসি ৱাহন্থোক্কা অমত্তা লৈরক্লরোই। য়াম্না ঙক্লিবদি করিগুম্বদা কনাগুম্বা ইমুং অমনা কাঙলোন চুম্না পালাগা মশীং শুনা নুপা নট সঙ্কীর্ত্তনগা শক-শোল্লবদি নখোয়গীসিদি শোরাৎকা মানশিল্লক্লে হায়না হায়নবফাওবা য়াওশিল্লক্লবনি। অঙকপনি ঐখোয়গী খুন্নাইসি।

শোমদনা পুঙ ঈশৈগী কাঙবুনা শেল ময়াম খোমদুনা পুখ্রে, ঈশৈসু শুংলোই লোইশিন্দদুনা থৌরম থেংহল্লে, মসিনি খ্বাই মীয়াম্না হায়নরিবসি। পুঙ ঈশৈ পালাদা লোইনা মরাল থংজিন্দ্রবসু শোমদা ইমুংদা কৈন্যা কেরিবা, মকে শেন্নিবা (নুপীনা কেরিঙৈদা মোইরাং য়ৌরুবা নংবজাৎনি) পোলোই শেৎপীদুনা কা হেন্না লৌরিবা মতম অমদি ইমুং মনুংগা কৈন্যাগা পূন্না ফোটো শুটিং তৌবদা লৌখ্রিবা মতমদুদা মীয়াম কায়দনবা ঈশৈ খংলোই হেক লোইশিনবা য়াদদুনা ঙাইহাক শরক শিদনবা য়াম্না ৱানা হোৎনজরিবা অদুসু মীয়াম্না খরা খরা উবিবদি ফবনি। করিগুম্বদা কনাগুম্বা নাৎ-পু তাবা মানবা মীওইশিংনা ঐখোয়গীদি লাই থাওমৈ থানবা নংনবা কৈন্যা থিনজগদৌরিবনি, অদুনা ঈশৈগী থৌরমদু য়াম্না শাংথদনবা হায়দোক্লবদগী পুঙ ঈশৈ কাঙবু মীৎচি খৎনখিদুনা শকফম-শোনফম থোকপা খরদু শৎ হেক লোইশিল্লগা ক্বা চারগা ফমদুনা লৈথোকখ্রবদা শোমদনা কৈন্যাদু শুংথোক-থোরক্তদনা পুং চাত্রেৎলোম ঙাইনদুনা কুইনা শরক শিদুনা মীয়ামদু লৈরিপোৎনি। অদুঙৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈদদি পূন্নমকসি কনামত্তা ফে লাওবা ঙম্নরম্বা নত্তে। মসিগুম্বা ফজদবা, তৌহৈদবা কয়াসি থোক্লম্বগী পাউসু কয়া তাদে। ময়ামসি নিংথৌ মরাই চাইথখিবা অমদি লৈতবা ঙাইদুনা লৈরম্বগা চপ হেক মান্নখ্রে। হৌদোং লৈত্রগা উচিনা মখে য়াম্না লাংবগুম্বনি। মানা-মানা তৌনীংবা মনীং-মখানি হৌজিক কন্না তৌখৎনরক্লিবসি। লৈমা-নিংথৌনা শেৎ চাবা ফিজোলদু হৌজিক্তি লৌমীনসু অদুম শীজিন্নবদা কনাসু কিনরুবা লৈত্রে। খুল লৈকায় পানবা হায়বদু লৈত্রে, লৈবাক্কী চৎনবী অমদি লৈ হায়বসি কনানসু নোংমতা নীংশিংনরুদ্রে। ফমশক্কী নট সঙ্কীর্ত্তন য়ানি-য়ারোই হায়না য়াম্না য়েৎনখিবগী পাউ, মীতৈ নাৎকী ওইবা থৌরমশিংদা কুর্টা-পাইজমা শেৎপা য়ারোই (ফনদুম ফজৈ লুহোংবগী বরখক্তং ফৈজোম শেৎলগা অতৈ মমান্নবশিংদি কুর্টা-পাইজমা ঙাক্তা)। ফোটো-ভিদিও কাপ্পা মীওইশিং, বেন পার্টিগী কাঙবু অমসুং শেল থাবা অমদি শেল অচোইবা কায়বা মীওইশিং মান্দব ময়ায়দা চঙথোক-চঙশিন পংতৌদা তৌরিবা কয়াদুনা শোন্নপুঙগী লুখ্রবা লাইথৌবু মরিং-মরাংবা কয়া থোকহল্লিবা, ফাগী-ফরাং তাহল্লিবা কয়াসি থিংগদবনি হায়বগী পাউ, লুহোংবগী নুপী থিল্লকপগী তাঞ্জাদা বম্মুলাগা থাদুনা কা হেন্না লাঙবা, মমাঙ ফম্বা মীওইশিংদা শেল থাবগী চৎনবী অমদি মসিগা মরী লৈনবা ৱাথোকশিং, বর-কৈন্যাদা শেল চাইবগী চৎনবী, হান্না চৎনরমদবা নুপীনা মান্দব ময়ায়দা চঙদুনা পালাদা শেল থাবগী চৎনবী, ক্যুগা হেক লেপ্পমখৈ শেল থানবগী কুম্মৈনা হরি সঙ্কীর্ত্তনগী মচৎ পূম্বা কায়হনবনচিংবা খাঙুথক্তগী চৎনবী কয়াসি মখা তানা তৌহন্দবা ফৈ হায়না লাউ খোংনখিবা কয়াদু ঙরাং-নহান্তা ওইরবোই নীংই।

নুংগী ওইবা ভাব, রস অমদি ভক্তি ৱাৎলক্লবা হৌজিক মতমগী নট সঙ্কীর্ত্তন অসিদি শেন্দান সঙ্কীর্ত্তনগা মান্নরে হায়না মীয়াম্না চিবোন-চিবোন ঙাঙনরিবা কয়াসি ঐখোয়না তাশিন্নদনা তুমিন্না লৈশিনবা য়ারোই। হৌজিক্কী মতমসিদা নট সঙ্কীর্ত্তনগী তাইবঙ অসিদা থোক্লিবা ৱাথোক-লান্থোকশিং অমদি মীয়াম্না ঙাঙন-শক্নরিবা কয়াসি মরী লৈনবশিংনা ফজনা তাশিন-খোমজিন্দুনা থল্লগা নৈনথোকপা অমদি অফবা অওনবশিংতমক পুরক্লবা হোৎনমিন্নবা অমা চঙলি। খরা হেন্না খঙ হৈবা, কাঙলোন চুম্না শক শোনবা ঙম্বা লৈবাক্কী অফাওবা ওজা-গুরুশিংদা খুরুমজদুনা নট সঙ্কীর্ত্তন পাঙথোক্লবগী চৎনবী অমা লৈজরবসু লৈকায়গী অৱা-অনা পুজরিবা, অথু-অকায় কয়া নংহনবীরিবা ওজাশিংবু ওইনা অদুম থৌগল ফংহনবীয়ুদা হায়না থম্মোয় খরা শেংনা চেবাউগা লৌদবা অফাওবা ওজাগী মশীংবু কয়াম লৈরমখিগদবনো খঙদে। পুঙ ঈশৈ তৌবা মীওই অমনা চেনগদবা মতিক-ময়াই গুণশিং ঙাক্কদবা লমচৎ-শাজৎ, চাকহেন-ঙাহেন্নচিংবা কয়াদু লুম্না লৌনরক্ত্রবা মতমসিদা ময়াম্না শক-শোল্লিবা শোন্নপুঙ ময়ায়গী ভক্তি য়াওদ্রবা লাইশোন অদু করিবু কান্নরিবা হায়না হংনদবসু নত্তে। য়াম্না লুবা লাইথৌ অমা ওইরিবা নট সঙ্কীর্ত্তনবু করিনো মুন্না খঙদবা পৈশা ফজনা তানবা য়াই হায়বদুখক্তং তারগা ফন হেক চোঙশিন্দুনা পুঙ ঈশৈ তৌরক্লবশিংবু কালা অসি কদাইদা করি শোয় ঙামখিগদগে হায়না য়াম্না লুনা নুংশিনা হোৎনজরিবা ওজাশিংনা অমুক্তং পূনশিন্নদুনা মতম চানা পাড়া তম্বীহৌবা ফত্রা হায়নসু খল্লি।

কাঙলোন চুম্না থকসি-খাসি নাইনা মপূগী মতিক মগুন শক শোন্দুনা মীয়াম্মু অচুম্বা লম্বীরোমদা চিংশিনবীবগীদমক তৌবিমল খঙবা উৎপা ওইনা মীয়াম্না পুঙ ঈশৈ তৌরিবশিংবু অখন্ননা থৌগল্লোন উৎপনি, থম্মোয় শেংনা খুরুম্নবনি। তরা চৎপী-কুন চৎপী খরদুখক্তদা অদুম লাইনীং ওইদুনা মমিৎতু অতৈ করিমত্তা উশিল্লক্ত্রবা পালাগী থম্মোয়দু ভক্তিদা লুপল্লগনি হায়বা থাজবা ঙমদে। লুহোংবা-শোরাৎনচিংবদা শক-শোন্নরিবা নট সঙ্কীর্ত্তনসি লুখ্রবা কাঙলোন কায়ফদ্রবা লাইথৌনি হায়বসি সুম কাউথোক্লরক্তুনা/ থৌওইনরক্ত্রদুনা চুম্নতংগী ঈশৈ নোংমাইগী থৌরমনি হায়না খন্নরকপদগীনি হায়না খল্লি । মীওই খরনা হায়নরিবা ফমশকপু ওইরো, লেপশকপু ওইরো, শাইগী, ইস্কোনগী, বহাইগী, রূপ-রাগনচিংবা কাঙবু কয়া থৌবুনা অপাম-অপাম্বা তৌবদা কনাসু থিংবা য়ারোই অমদি থিংবসু ঙমলোইককানা ৱাফংনখৎলক্লিবা। মস্বাইসিদগী ওইগনি হায়না খল্লি ৱেষ্টর্ন সঙ্কীর্ত্তননচিংবা ফিল্মগা পুথোক্নরক্লিবা কয়াসি। মৌনহা, লৈশাবীনা ফম্বা হোটেল অয়াম্বা চহী চুপ্পা থোঙ লোন্দে, চাকখুম চঙবা য়াদবা মতমগা অমত্তা লৈতবরা খঙদে হায়দুনা হোটেলদগী অচা-অথক অমত্তা চাদ-থক্তবা অহল-লমন ময়াম অমা লৈবগুম্না ঐগী শুমাংদদি ফনা ফাওবী ওইরবসু নুপীশিংনদি খক শক-শোলহঞ্জরোই হায়বা মীওই কোকথোং অমা লৈরি। ফিরোইগী পুঙ য়ৈরিবা ওজাদু থৌরম লোইদ্রিঙৈদা মচা-মনাই অমদা মখা তাবা শরুক্তু উশিন তৌরম্লগা অতোপ্পা শোরাৎ অমা অমুক নংনবা চেনখ্রিবদু য়ূম্মুনা য়াবদগীনি, কনাসু থিংবগী হক লৈতে হায়নকা হায়রক্লবদি মদু খুন-লৈকায় পান্দবগী ৱানি, চৈ ৱাৎপগী ৱানি। লৈবাক্কী চৎনবী ঙাক্তবগী অমদি ইকায় খুম্নদবগী ৱানি।

থৌরম ময়াম অমা নোংমতদা চেবাউ পূল্লপ লৌশিল্লিবদুবু নংনবা চেনবদা খুদি থিরোইদবা জাৎলা। সঙ্কীর্ত্তন লিংখৎতুনা থৌরম পাঙথোক্তবা য়াদে হায়বা ৱা লৈতে, লাইরিক তৌরগা, গীতা থিরগা, পাঙথোকপসু অদুম য়াওই, পেনা শক্তুনা শোল্লম্বা, ভজন শক্তুনা অমদি লৈবাক নীংবা ঈশৈ শক্তুনা শোরাৎ শোল্লম্বসু ময়াওই, পুঙ-মাংগংগী মহুত্তা বেন্দ পার্টিনা ওইনা অশিবা থাংদোক্লবসু হেক মথেংনৈ হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াসিদা অপাম্বা অমদি থাজবা থম্বীরগদি অপাম-অপাম্বদা তৌবিয়ু। অওনবা য়াম্না পাম্বীরগদি (চাওখৎপগী ৱাহন্থোক্তি খঙদনা) অদোমগী য়ূমদা শোরাৎ শোনবদা ৱর্ল্ড ফেমস সকিয়া নৎত্রগা সোনুনিগম্না ঈশৈ শকহনবদা কনাসু য়েৎলক্লোই অদুবু নাৎ-পু তাবা অহল-লমননচিংবা মীওইদি অমত্তা য়াওগদবা মান্দে। মীয়ামগী ইহুল খঙনা শক শোনবা তাই হায়রগদি মী অমত্তা কপ্পদবা শোরাৎতদি খরা হিট ওইবা ঈশৈ শৈশক্কা হাপচিনবা তাবনি, য়ূম্মুনা অমদি লৈকায়না য়াননবা। মসিনি ঐনা খ্বাই মীয়াম্মু খরা খজিক খন্থহঞ্জনীংলিবা।

# ময়েক অমা হেক শেংদ্রিঙৈ খুদোংথিবা হেনজিল্লকখিনি

\- অমরজিৎ খাঙেম্বম -

**খংবু খংই,** পাউবু অদুম্না তন্বা হৌনব্রো, বি পি পোকখায়বসে কুইপোত্তে শোইদৌরিনি নৎত্রগা ফৈরেং ফৈরেং হেক্তা চিংদৌরিনি। অমুক অমুক খংহল্লকপসে মীহুলকাসে শ্বাই শ্বাই হেক্তা লাউই, নঙগী মওংসিদি মথোং অমা শুংচা হেক চাদে। ঙাঙবদনা ত্রান্সপরেন্সি, ত্রান্সপরেন্সি খংহন্দ্রিঙৈদা হান্না হায়রম্বসু নত্তবা। খংদ্রিঙৈদা হান্না ত্রান্সপরেন্সি ওইহনবদি করি কাইগে। ত্রান্সপরেন্সিগী ৱাহন্থোকসে হেক হেক ওন্নহল্লিসি করিগীনো। নবেম্বর ৮গী অহিংদো মীয়াম পূন্নমক অরাক অখাও নংবমখৈ খংহনখিবদো মদুবু অফবরো। খংবদগী শিখ্রিজাৎলা পৈশা ওখাক পায় হায়নখিবা টামিল নাদুগী সী এম জয়াললিতাদো। ওগষ্ট ৩গী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টদুসু লমদম অসিগী মীয়াম খংপ্রেক খংনখি। নঙসে ভুটলা, নৎত্রগা তম্নলাইকা হায়দুরা। ঐনা ভুট শারুবদি ক্লবনা ফারগা মীয়াম মমাঙদা খোঙ্গৈইনদুনা লাল্লে হায়জহল্লি। ঙসিনা করম্বা মন্ত্র-যাদুনো, করম্বা গুরুনা তাকপীরকপা শিক্ষানো। মোইগী গুরুসিবু পদ্ম ভুষন এৱার্দ ফংখিবা এল কে অদভানিরা নৎত্রগা ভারত রত্না এৱার্দ ফংখিবা অটল বিহারি বাজপায় ওইদোইরা। ওন্থোক্লবু হৈখ্রে অনৌ অনৌবা মন্ত্র শোন্দুনা মী লোইনা হেক্তা খংহল্লি। ত্রান্সপরেন্সি হায়রসু খংহনবদি শুংতোক হেক তোকহন্দে। পৱারদি হাইফেৎ কনবা মন্ত্র ওইজাৎনি।

সঙাই ফেষ্টিবেল হৌদোকপা নুমিৎতা মণিপুরগী এয়রপোর্টতুদা তৌনরিদুনা করি। পটনাদগী রিমসতা পি জি অরোইবা চহী তম্লীবী ডাক্তর নুপী নিরেলানা মৈ হৌবমখৈ শাওদুনা খঙগনি ঙসিদি অরোইবী তৌগে খনখিবদু মহাক্না তোংগদবা ফ্লাইটতু পুং ২ মুক খেন্নবদুগী ওইজাৎনি। ভি আই পি হায়সিনা কয়ামুক চাউগে হায়ববু মখোয় লাকপসিদি অতোপ্পা ফ্লাইট অমত্তা তাবা অমদি পাইবা ফাওবা অথিংবা লৈবজাৎনি। মখোয় লাকপগী ফ্লাইট সেদ্যুলদু শোয়রবনিনা অমুক কনেক্টিং পাইগদবা কোলকটা টু পটনা পাইগদবা ফ্লাইটতুনা পুং ২ মুকপু পেসেঞ্জর ঙাইরমগনি থাজদে, পৈশাসু মাঙজদোইনি লোয়ননা মবুং লৈতবগী মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা মাবু ঙাইদুনা লৈবগী চিৱবা তাঞ্জা অমসু মায়োক্লরি। ভি আই ভি কলচরনা ওইহল্লিবা ৱাথোক ময়ামগী মনুংদা নহানগী অসিমসু ওইখি। অদুগা নহানগী এয়রপোর্টতা নুপীমচা অদুনা কপখিবদুমদি নুংঙাইতে। মোইগী ভি আই পি কলচরদু মুখৎলে হায়খিগুম্বা অমসু তৌবনি। নরেন্দ্র মোদি হায়রিসিনা হেক তৌবা হায়সিদবু ময়েক অমা হেক ইশেং হেক শেংদবা, ত্রান্সপরেন্সি ত্রান্সপরেন্সি হায়রগা থবক্না খংপ্রেক খংপ্রেক খংবা ঙাক্তা ওইনা তৌরিসিনা কমাইনা তৌরিজাৎনো।

ভি ভি আই ভি/ভি আই পি কলচর মুখৎকদবনি হায়না এন দি এ লৈঙাক্না থবক পায়খৎখিবা লৈখ্রে অদুনা ঐখোয় শ্বাইদসু মদু চৎনবা হৌবগী থবক লৌখৎখ্রদাইনে। ইম্ফাল এয়রপোর্টতি ভি আই পি কলচর মুখৎখিবদু য়ৌরমদ্রবরা কৈনো, ভি আই পি কলচর চৎনবী ময়েক হেক শেংনা লৈরমখ্রে। মিনিষ্টর কে জে অলফোননা হায়খি As a very juniour minister, a fresher, I am not capable of changing the rule. I am very sorry, I am not compitent to change the rule. মোদিজিগী লৈঙাক্তা য়াওরিবা মিনিষ্টর অমা ওইরগা ভি আই পি কলচর মুখৎলে হায়খিবদো মহাক খঙহৌদ্রজাৎলা নৎত্রগা এয়রপোর্টকী মফমদি চিংখৌরজাৎলা। গভর্ণমেন্ট মনুংসু অমগা অমগা ত্রান্সপরেন্সি গেপ খরা খরা লৈবগুম তৌই। মোদিজিনকদি চহীসিগী মে থাদা অফ্রিকান দিভলপমেন্ট বেঙ্ককী প্রোগ্রাম অমা য়াওরুরগা হল্লকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গান্ধিনগরদা মশামক্না তোংলিবা গাড়ী অদু লম্বী মতাইদা খামদুনা লৈরগা এম্বুলেন্স অদুদা প্রাইওরিটি পীখিবদো লৈবাক অসিদা ৱা ৱা লাউনা ঙাঙনখ্রিবনি ফৈ হায়না। অদুগা নহানগী ডাক্তর নুপীদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদুগা য়েৎনখিবদুদি মথৌনাদি ফবজাৎনি ভি আই পি কলচর অদু অদা খঙদে ফ্লাইট সেদ্যুল শোয়বদুদি পেসেঞ্জর ময়ামগীসু খরা খনবা ফৈ হায়বনি। নুপীমচাদো অমরোমদা মরাইবক ফরবনি, মতম অমদা ঐখোয় শ্বাইগী চাউজনীংবা মন্ত্রিশিংদা য়েৎনবা ওইরম্লদি খঙগদবনি। ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চৎনহল্লু খক্তং হায়রুবা মহৈরোয় নুপীমচাদুদা মশম ফোইরগা লোঙনা চিংদুনা লিচৈনা অমুক কন্থৎলিবনি অচানবা মনাইশিংনা। য়েৎনরিবা মীদো ঐখোয় শ্বাইগী মন্ত্রি নত্তে। ঐদি ডাক্তর নুপীদো থৱায় মাঙলদ্রা হায়বা ফাওবা খল্লুবনি। অমরোমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদুসু মহাক্না পাংবা য়াবা মতেংদি পাংগে হায়জখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগা লোইনরকপা মী মমিংদি খঙদ্রে হ্বাই মচুগী দ্রেস লিৎপা নুপাদুনা করিনোমা ঙাঙলকপদা কৈনো, ডা. নিরেলানা I am doctor, not a swiper don't talk to me, I am a higher post than you, I am not politicians, মথৌনাদু ফাওবদি ফৈ । য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা খামজিনখিবদগী নুপাদু উখিদ্রে মখা তানা ৱা মচেৎ অমতা ঙাঙখিদ্রে। ভি আই পি অমগী প্রোটোকোলনা অথিংবা কয়া অমা লৈরম্বা তারগসু, ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্দা ইদুনা লৈরম্বা তারগসু লৈবাক অসিদা ভি আই পি কলচরনা থোকহল্লিবা খুদোংচাদবা থৌদোক অসিনা অহানবদি নত্তে। চহী ৭০গী মমাঙদা চৎনরম্বা আইনদু কুনমাথোইশুবা সেঞ্চুরি চঙলবা মতমসিদা এপ্লাই তৌবা চানৈ চানদে য়েংবা মথৌ তাই। ঙসি ফাওবা মসি শেমদোক্তবা অসিনা লৈবাক অসিগী থৌদাং পুদুনা চৎলিবা ভি আই পি অমগা পেসেঞ্জর অমগা অৱাই অখুম তৌনবগী ফিগর অমা লাক্লিবসিনি। ভি আই পি কলচর থমদবা য়াদবা ওইরগনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্দা ইরল্লিবা লোশিংদু করিগুম্বা কাইটেরিয়া খরনা বোন্দ তৌদুনা থম্নবা এমেন্দমেন্ট তৌবগী ৱাফমসু খন্নবা ফৈ। ভি আই পি অমগী থৌদাং হায়সি য়াম্না চাউই। অদুগা ভি আই পি হায়সি লাইফ টাইম পোষ্ট নত্তে মতম মতমগী মহুৎ শিনবা ফৈ। অদুনা মতম মতমদুগী চান-চান্নবা য়েংদুনা আইন শেম্বীবা ফৈ। আইন হায়সি মীনা শেম্বনি ভি আই হায়সিসু মী ওইবনি। অদুনা লৈবাক অসিগী লুচিংবশিং ভি আই পি কলচর নাখৈশেংনা মুখৎলব্রা নৎত্রগা অকক্লবা মী খরদা ভি আই পি কলচর থমখিদৌরিব্রা হায়বা অমা ময়েক শেংনা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনফম থোকই। অদুগা ফ্লাইট সেদ্যুল শোয়খিবদু নোং-চীংগী ফীভম্না শোয়রম্বা তারগদি থোকখ্রিবা থৌদোক্তু থোক্লমদবসু য়াই।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অওনবা অমগী মঙলান

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**Repentance,** Innocence, Decadence, Betrayal and Discrimination অসিনা ঙসি ঙসিগী খুন্নাইদা তুং হন্দুনা লৈখা তাদুনা লৈরবা মীওই কয়া লৈরি। মীচঙ শঙ্গন নাইবশিংদা খুদোংচাবা পীবা, ফম পীবা, মনা পীবা, এপ্রিসিএসন পীবা, লায়রবা শেল পায়দবা মাগী পূক্নিং থৌগৎপীনবা কনা লৈজদ্রবা, তোল্ল-তারবা কয়া অমা হন্থনা য়েংবিবদগী ওইসু ওইরোইদবদা হায়না থওইদবা অমদি চৈবীরকপনা নীংবা কায়দুনা মশাগী মথৌ হনবা কয়ামসুনি। মী অমবু থওইদনা ওৎপীবা, নৈবীবা, মঙোন্দা মাগী কনা লৈদুনা মায়োক্লরক্কনি হায়না শা-ষণগুম খনবীবসু লৈতবা নত্তে। অচুম্বা চৎচবা পামজবা মশাগী মথৌদা পুকচেল শেংনা হোৎনজবা কয়াবু কল্লক্তুনা নৎত্রগা য়েংথিনবা মীওইগুম লৌদুনা মাগী অচুম্বা অদুবু অরানবা তাহন্দুনা ইকায়বা পীবসু কয়ানি। অৱাংবা অনেম্বা হায়বা ময়ি অমনা মী অমনা মী অমবু হন্থনা য়েংবতা নত্তবা তুকৎচবা য়েংনীংদবা, য়েংনরবসু উনরবসু খুয়া উফুলগুম্না লৌবীবগী চৎনবীসু অদুম লৈরি। লৈঙাক্তগী লোন লৌবনি খঙদে, সবসিদি ফংগদবনি খঙদে কয়া লৈরবসু ওফিসিয়েলশিং অদুদা ৱানোম ৱাশিন্দা ৱাগদবা অমদি থওইরোইদবা কয়া লৈবদগী তন্থদুনা লৈঙাক্কী খুদোংচাবদু লৌনদনা লেনবসু কয়া য়াওরি। খুদোংচাবা ফংনবা অমদি মশাগী হিংননবা চেন চোংলিবা কয়াবু নোকশিন্দুনা ষনাও মচানা চেন চোঙলগা অমাংথোংদা অমাংবা চিৎলগা তোক্লগদবনি খনবীবা য়াওদবসু নতে। ওফিসিয়েলশিংনা মানা হায়বদা য়াগদবনি, ষ্টাফসু মাগী য়াকাগী মতুং ইন্না থবক তৌগদবনি হায়না তৌবদা মখা থাবশিং পেন্নদনা থবক শুবসু কয়ানি। হায় ওফিসিয়েলনি, হেদনি হায়রবদি মখা থাবশিংদা ওইররোইদবা কয়াবু খল্লুনু মখোয়গী তৌরুনু হায়না অফবা মপূক্লিং চংবা কয়া য়াওরবসু তৌহন্দে। কনাগুম্বনা মশাগী মথৌদা থৌনা ফনা চেন চোঙবদুবু "মানা তৌবা শারিবা অসে ওইসু ওইরোইদবনি' হায়না শন্দোরকপনা মীওইদুদা নীংবা কায়হল্লি। মী মরক্তা মীবু মী ওইনা উদবা ষণগুম, গধাগুম উগনবা হায় ওফিসিয়েল অমদি হৈশিংলবা মীওইনি মশানা খঞ্জবা কয়ানা মীওই কয়া অমবু হন্থনা য়েংলি। চীন্দা ওইগদৌবগী মতৌগুম তৌবিগনি তৌবিগনি হায়খ্রবা মচিন্দনা অমৃত, মবুক্তনা হু ফুম্বগী মতৌ ঙসিসু লেপত্রি। সাহিত্যগী ওইরো, জগোয়গী, ঈশৈগী, লাই য়েকপগী, আর্টকী হীরম কয়াদসু মখোয় খরদুমদি ওইররোইদৌবনি হায়না কন্থোক্তুনা থম্বগী চৎনবীসু য়াল্লি। অদুক পূক্নিং চঙনা ৱানা হোৎনজরিবদুদা পূক্নিং থৌগৎপীদুনা অশোয় অঙাম তাকপীদুনা অফবা মায়কৈরোমদা পুখৎনবগী মহুত্তা ইন্থোক্তুনা থম্বসি ঙসি ঙসিগী চৎনবী ওইরি। ঐ মঙাইরে হায়বা ভি আই পি, হায় ওফিসিয়েল, দিরেক্টর কয়া অমগীনি খঙদে, অমগীনি খঙদে তাকপী তম্বীরগা শেম্বীবা য়াবা কয়াবুসু কন্থোক্তুনা মী ওইবা য়াহনবদু মাঙহন্নবা মতৌদা থল্লি। লৈকায় অমদা নুপা অমা খঙ হৈরবসু মানা হৈববু কনানা খঙবনো, অখঙবা শারগা শুকখং খঙদবা ওইরমগনি হায়না থৌশাদে। ডাক্তর কয়া, হৈশিংবা কয়া লৈরি অদুবু মচিন্দনা অমা, থবক্তনা মশাগী ওইজবা ফংনবগীদমক্তা ওইরমই। মসিদং থমজগে, অমোৎপা কয়াদি লৈরি।

লৈঙাক্না পূন্নমক অসিবু উবিদুনা মী অমনা মাগী মাগী শিনফমদা হৈনজবা কয়াদা পূক্নিং চঙনা হোৎনজরিবা কয়াবুসু ওথোরিটিনা হেন্না ফগৎহনবা, এপ্রিসিয়েট পীবিরবদি পূন্নমক্কী অফবা ওইবা মশানসু তাবনি। অসুম্না Repentance, Innocence, Decadence, Betrayal and Discrimination অমদি অচৌ-মচা, লায়র-অনং অচুম্বা পূন্নমক আইনগী মতুং ইন্না ৱারকপা য়াবসু খাংদুনা লৈরিবা পূন্নমক অসি হন্দক্কী লৈঙাক অসিনা সেনিয়র জর্নেলিষ্ট, এদিটর অমা ওইরম্বনা ঙসিগী মণিপুরগী সিচুএসন অসি চাউরাক্না অমদি নিংথৌগী মনাদি ফক্লাংদা থেৎলি হায়বগুম খনবিদুনা মঙলান অসিবু অমুক্তদি মীয়ামগীদমক্তা খনবীদুনা করি করি থৌরাংনা তোল্ল-তারবা নৈহৎপীরবা, নীংবা কায়রবা, পিরাং তাবা ঙমদনা খাঙমদনা লেল্লিবা মীয়ামসিবু অমুক্তদি খঙবীদুনা, পূক্নিং থৌগৎপীদুনা ঐখোয় লৈরি, নখোয়গী পেন্দবা কয়াদু ঐখোয়দা ৱাকৎলু, নপূক্নিং হনগনু, নথৌগীদমক ঐখোয়গী লৈঙাক লৈ, নখোয়গীদমক তেংবাঙগনি হায়না লেপ্পীয়ু।

*অদোমগী - ফুরাইলাৎপম রেবতি শর্ম্মা*

মরোল থোকপা লাই

